**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 28-03-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়রি- মহৈরোইশিংবু লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কোয়হনবদা মফম অদুগী নাৎ, চৎনবী অমসুং ফিজেৎ চাকচাগী মরমদা খঙহনবদা অচৌবা মতেং ওইরগনি।

২) আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মিসনার এম. জোয় সিংহনা হায়রি- অনৌবা টেকোলোজি কয়া শিজিন্নদুনা আর্টিষ্টশিংনা পুথোক্লিবা মখোয়গী হৈথোই শিংথোইবশিং মীয়ামা শকখঙবীবা অমদি পুকিং থৌগৎপীবগী তঙাইফদবা লৈ।

৩) ম্যান্মারদা ঙসি রিক্তর স্কেলদা ৭.৭ অমসুং ৬.৪ য়ৌবা য়ুহার অনিরক থংনা থংননা হাখিবগী লোয়ননা চাউনা অমাং অতা থোকখ্রে। হৌজিক ফাওবদা মীওই ৩ লৈখিদ্রে, মীওই ৯০ রোমনা থিবা খঙদনা লৈরি।

৪) কেন্দ্র সরকারনা ইলেক্ট্রোনিক্সকী পোৎলমশিং শাবা অমদি থাদোক থাজিন তৌনবগী থবকশিং হেন্না মপাঙ্গল কনখৎনবগীদমক ইলেক্ট্রোনিক কম্পোনেন্ট মেন্যুফেকচরিং স্কিম অয়াবা পীখ্রে।

অমসুং

৫) লোক সভানা ঙসি কেরিয়েজ ওফ গুদস বাই সি বিল ২০২৪ পাস তৌখ্রে।

------

গভর্নর (এল)ঃ রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়রি- মহৈরোইশিংগী ওইনা পাঙথোক্লিবা লাইরিক লাইশুগা মরী লৈনবা লম কোয়বগী থৌরম কয়ানা লমদম অসিদা লৈরিবা মহৈরোইশিংবু লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা নাৎ, চৎনবী অমসুং ফিজেৎ চাকচা কয়াগী মরমদা খঙহনবদা অচৌবা মতেং ওইহল্লি। রাজ্যপালনা হায়- অসিগুম্বা খোঙথাং অসিনা অমত্তা ওইবা খুনাই অমা শেমগৎপদা চাউনা মতেং পাংলি।

ইম্ফালগী রাজ ভবনগী দরবার হোলদা ঙসি পাঙথোকপা নেসনেল ইন্তিগ্রেসন টুর ২০২৫ এক্সপরিয়েন্স সিয়ারিং প্রোগ্রামদা ৱা ঙাংবদা রাজ্যপালনা হায়- থৌরম অসিনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা লৈরিবা মহৈরোইশিংনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চৎলুবদা থেংনরকপশিং ফোংদোকবগী খুদোংচাবশিং ফংহল্লগনি।

রাজ্যপালনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী এক ভারত, শ্রেস্থা ভারত প্রোগ্রামগী মখাদা তোঙান তোঙানবা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংদা মহৈ তম্লিবা মহৈরোইশিংগী মরক্তা মখোয় মখোয়গী ৱাখল্লোনশিং ফোংদোকদুনা অমত্তা ওইবা খুন্নাই অমা শেমগৎপদা লৌরিবা থৌদাংশিংগী মতাংদসু ৱাফম কয়া ফোংদোকখি। মহাকা হায়- অসিগুম্বা মান্নবা থৌরমশিং পাঙথোকপনা ভারতকী অতৈ রাজ্যশিংগী মহৈরোইশিং অমসুং অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংগী মহৈরোইশিংগী মরক্তা হেন্না ফবা মরী থন্বা ঙমগনি। মসিনা লৈবাক্কী অপুনবা শক্তম শাগৎপদা চাউনা মতেং পাংগনি।

ৱিমেন (এল)ঃ নুপী অমসুং আইন হায়বা হিরমদা নোংমগী ওইবা মীয়াম্বু খঙহন্নবগী থৌরম অমা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী খুরাই শাজোর লৈকাইদা উতারায়ন থিয়েটরদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন অমদি আইতা ৱিমেন মল্টিপরপজ কো-ওপরেতিভ সোসাইতি লিমিতেদনা পুন্না খুৎশমদুনা শিনবনি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী চেয়ারপার্সন থুমলিক তিংনিংফম মোনসাংনা হায়- ভারত সংবিধান্না পীরিবা

নুপীশিংগী ফংফম থোকপা হকশিংগী মতাংদা মমুৎ তানা খঙবগী তঙাইফদবা লৈ। মহাকা হায়- নুপীশিংনা মখোয়গী হকশিং অমসুং নুপীদা থৌনা পীবগা মরী লৈনবা আইনশিং নিংথিনা খঙলবতদা মখোয়গী মথক্তা চথ্খরকপা ক্রাইমশিং মতৌ করমা কনাদা ৱাকৎকদগে হায়বদু নিংথিনা খঙবা ঙমগনি।

থৌরম অদুদা অখঙ অহৈশিংনা তোঙান তোঙানবা হিরম কয়াদা ৱা ঙাংখি।

আর্ট (এল)ঃ আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মিসনার এম. জোয় সিংহনা হায়রি- ভিজ্যেল আর্টকী তোঙান তোঙানবা লমশিংদা অনৌবা টেকোলোজি কয়া শিজিন্নদুনা আর্টিষ্টশিংনা পুথোক্লিবা মখোয়গী হৈথোই শিংথোইবশিং মীয়ামা শকখঙবীবগা লোয়ননা পুকিং থৌগৎপীবগী তঙাইফদবা লৈ।

ৱাফম অসি ইম্ফাল আর্ট কলেজদা ঙসিদগী হৌখিবা ১৯ শুবা এন্যুয়েল আর্ট ইগজিবিসন কম ফেয়ার ২০২৫ দা শা জোয়না ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়- অসিগুম্বা একজিবিসনশিং পাঙথোকপনা লমদম অসিদা থোক্লিবা তোঙান তোঙানবা থৌদোক ৱাথোকশিংগী মতাংদা আর্টিষ্টশিংনা মখোয়গী ৱাখল্লোনশিং মীয়ামদা খঙহনবা ঙমহল্লি।

ইগজিবিসন অসিদা হঞ্জবম শ্যামো শর্ম্মা মেমোরিএল কেস এৱার্ড য়াওনা তোঙান তোঙানবা এৱার্ডশিং খনগৎলবা আর্টিষ্টশিংদা য়েন্থোক্কনি।

এৱার্ডশিং অদুগী মনুংদা কেস এৱার্ড ফোর ভেষ্ট আউটষ্টেন্দিং ৱাক ইন পেন্টিং, এপ্লাইদ আর্ট, স্কলপচর, গ্রাফিক্স অমসুং দ্রোয়িং য়াওরি। ব্রমাচারিময়ুম বঙ্কিমচন্দ্র শর্ম্মা মেমোরিএল কেস এৱার্ড অমসুং মালেমঙানবা লৈতানথেম মেমোরেবল চেরিটেবল ত্রষ্ট কেস এৱার্ড য়াওরি।

একজিবিসন অসি মথং থাগী অনি ফাওবা চথ্খগনি।

এরেষ্ট (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্টকী খাবৈশোইদা লৈবা মণিপুর পুলিসকী স্পেসিয়েল কম্মান্দো য়ুনিতকী কাংবু অমনা আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপ কে.সি.পি (প্রোগ্রেসিভ)কী মীওই অমা হৈঙাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা

কৌবাক হৌবী খোমিদোক্কী হন্দ্রেদ ফ্লৱার স্কুল মনাক্তগী ফারে। ফারবা মীওই অদু মখা তাবা থবক লৌখৎনবগীদমক হৈঙাং পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে।

আর্মি (এল)ঃ ভারত লান্মীনা শিন্দুনা মিরুটতা লৈবা রিমাউন্ট ভেটেরিনারি ক্রোর্প্স সেন্তর এন্দ কলেজদা তমবগীদমক খল্লক্লবা মহৈরোই ৬ ওকপগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিগী মনুং চন্না ভারত লান্মীগী মাইকৈদগী মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসন (এম.ঐচ.আর.পি.এ)দা মাইক্রো চীপ ২০০ অমসুং মাইক্রো চিপ রিদর অনি খুৎশিন্নখি। পোৎলমশিং অসিগী মতেংনা মণিপুরগী তাঙলবা শগোল পোনিশিংগী লৈফম খঙনবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং ওইরগনি। মসিদা নত্তনা এম.ঐচ.আর.পি.এনা পোনিশিংগী পুৱারী, অনা লায়েংগী রেকোর্দনচিংবশিং মাইক্রো চিপ অসিদা হাপচিনদুনা থম্বা য়াগনি।

কংগ্রেস (এল)ঃ মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কমিতিগী প্রসিদেন্ট কে. মেঘচন্দ্রনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমনা নিউ দিল্লিগী ইন্দিরা ভবনদা ঙরাং পাঙথোকখিবা ওল ইন্দিয়া দিষ্ট্রিক কংগ্রেস কমিতিগী মীফমদা শরুক য়াখ্রে। মণিপুরগী মীহুৎ কাংবু অসিদা দিষ্ট্রিক্ট কংগ্রেস কমিতিগী প্রসিদেন্ট ১৪ সু য়াওরি।

য়ুহার (এল)ঃ ম্যান্মারদা ঙসি রিক্তর স্কেলদা ৭.৭ অমসুং ৬.৪ য়ৌবা য়ুহার অনিরক থংনা থংননা হাখিবগী লোয়ননা চাউনা অমাং অতা থোকখ্রে। হৌজিক ফাওবদা মীওই ৩ লৈখিদ্রে, মীওই ৯০ রোমনা থিবা খঙদনা লৈরি।

য়ুহার অদু ঙসি অয়ুক পুং ১১ মিনিত ৫০ রোম তাবা মতমদা হাখিবনি অমসুং ইপিসেন্তরনা ম্যান্মারগী সগ্যাংদগী কিলোমিতর ১২ রোম লাপা লৈবা মফম অমদনি।

অকাশবানি পাউমীনা হায়- য়ুহার অদুনা মরম ওইরগা ম্যান্মারগী মন্দলেদা লৈবা অভা থোং নিংখায়দুনা ইরাৱাদি তুরেলদা তাশিনখি। মসিদা নত্তনা মফম অদুদা লৈরিবা বিল্ডিংশিং চাউনা অমাং অতা থোকহনখি। য়ুহার অসি

কিলোমিতর ৯০০ লোম লাপা লৈবা থাইলেন্দগী কোনুং বেঙ্কোক্তসু অকনবা মওংদা হাখি। বেঙ্কোক্কী চতুচক মার্কেট ময়াদা লৈবা শাবা লোইশিন্দনা লৈবা অৱাংবা বিল্ডিং অমসু নিংখায়খি। পুলিসকী পাউ মতুংইন্না থৌদোক অদুদা হৌজিক ফাওবগী মীওই কয়া অশোক অপন নংখ্রবগে হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। থাইলেন্দগী প্রধান মন্ত্রি পে তোং তার্ন সিনাৱাত্রানা শিন্দুনা খুদক্কী ওইবা মীফম পাঙথোকখি অমসুং ওইরিবা ফিভম অদু থংননবা থবক কয়া লৌখৎখি।

যুহার অসি ইম্ফাল অমসুং কোলকাতাদসু যুহার অসি ময়াই ওইরপ কন্না হাখি।

আইসিএআর (এল)ঃ লাইফলিহুদ ইমপ্রুভমেন্ট ওফ ত্রাইবেল ফার্মিং কম্ম্যুনিটিজ থ্রু ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিং সিষ্টেমগী মখাদা আই.সি.এ.আর মনিপুর সেন্টর অমসুং চান্দেল, চুরাচান্দপুর, ইম্ফাল ৱেষ্ট, তমেংলোং অমসুং উখ্রুল ক্রিসি বিগ্যান কেন্দ্রশিংনা শিনদুনা ৱার্কশোপ কপ ইগজিবিসন অমা ঙসি লমফেলপাৎতা লৈবা আই.সি.এ.আর. মনিপুর সেন্টরদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা লৌমীশিং অমদি সাইন্টিষ্টশিংগী মরক্তা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

থৌবাল (এল)ঃ সি.আর.পি.এফকী ৬৬ শুবা বটালিয়ননা ঙসি স্বাচতা অভিয়ানগী মখাদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা লম-তু শেংবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

৬৬ শুবা সি.আর.পি.এফ. বটালিয়নগী কম্মান্দেন্টনা লুচিংদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা হোস্পিতাল অসিগী ষ্টাফশিং অমসুং ডাক্তরশিংসু শরুক য়াখি।

ফেষ্টিভেল (এল)ঃ নাগা ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এন.এস.এফ)কী অনিরকসুবা নাগা মোরুংগী থৌরম ঙসি চান্দেলদা লৈবা লিৱা সারৈ ভিলেজদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি নাগা ষ্টুদেন্টস যুনিয়ন চান্দেল অমসুং কন্সটিট্যুন্ট য়ুনিতশিংনা য়ুম্বু ওইদুনা শিনবনি। কুকনালিম হায়বা থিমদা য়ুস্ফম ওইদুনা

পাঙথোকপা ঙসিগী থৌরম অদুদা সেসন অনি থোকা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমসু পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা য়ু.এন.সিগী জেনেরেল সেক্রেটরি, নাগা ৱিমেন্স য়ুনিয়ন মণিপুরগী থৌমীশিং, অন্সমগী প্রসিদেন্ট য়াওনা অতৈ মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

ককচিং (এল)ঃ খা মণিপুর কলেজ ককচিংগী থোইদোক হেন্দোকা মথৌ পাঙথোক্লিবা ফেকলতি মেম্বরশিংবু তরামা ওকপগী থৌরম অমা ঙসি ককচিং ৱাইরি পঞ্জাউ পনলুমদা লৈবা কলেজ অসিগী মল্টিপরপজ হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা খনগৎলবা ফেকলতি মেম্বরশিংদা অচম্বা খুদোলপোৎশিং পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

থৌবাল (এল)ঃ থৌবাল জিলাগী মনুং চন্না লৈবা লাইসেন্স নোংমৈ পায়বা মীওইশিংনা ভেরিফিকেসনগীদমক মশা মশাগী লাইসেন্সশিংগী কোপিশিং মরী লৈনবা পুলিস ষ্টেসনশিংদা মথং থাগী ১১ ফাওবগী মনুংদা পীখৎলকবা থৌবাল জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা খঙহল্লি।

সিপিআই (এল)ঃ নেসনেল পোলিসি ফ্রেমৱার্ক ওন এগ্রিকলচরেল মার্কেতিং হায়রিবা অনৌবা আইন অসিবু য়ানিংদবা ফোংদোকপগী মীফম অমা ঙসি মণিপুর লৌমী লুপনা শিন্দুনা ইম্ফালগী ইরাবত ভবনদা পাঙথোকখ্রে।

লুপ অসিগী চেরোল অমনা হায়- মণিপুরগী লৌমীশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং তামিলনাদুদা মথং থাগী ২৪ দগী ২৬ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ওল ইন্দিয়া কিসান সভাগী নেসনেল কনফরেন্সতা খন্ন-নৈনগনি অমদি মতমগা চুনদ্রবা লোক্তাক হাইদ্রো পৱার প্রোজেক্টকী মতাংদসু খন্নগনি। মসিগা লোয়ননা ইথাই ডাম অমদি লোক্তাক প্রোজেক্টনা শোকহল্লবা লৌমীশিংদা ক্ষেতিপুর পীবীনবা দাবীসু পুখৎকনি।

অমেস্কো (এল)ঃ ওল মণিপুর ইথনিকেল সোসিও কলচরেল ওর্গনাইজেসন (অমেস্কো)না লিশাং শিংনা পাঙথোক্কুনা লাকপা শজিবু খুদোল তস্বা, ঈগী খোঙ্গুল লীবগী থৌরম কুমশি চহিগী ওইনসু কাংপোকপী, সেনাপতি, ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্কনি হায়না লুপ অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

জগোই (এল)ঃ গৌরা লিলাগী অরোইবা শরুক ওইরিবা- জ্গাই মধাই উধার ঙসি রাধা মান্দপ কলচরেল ওর্গনাইজেসনগী আর্টিষ্টশিংনা শঙাইপ্রৌদা লৈবা ইস্কোন মন্দিরদা উৎখ্রে। ওর্গনাইজেসন অসিগী প্রসিদেন্ট বি. গোপাল শর্ম্মনা হায়- মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদা জ্গাই মধাই উধার অসি উৎকনি।

সোর্ট ফিলম (এল)ঃ বঙ্গলাদেশতা পাঙথোকপা ক্রাউন ইন্তরনেসনেল ফিলম এৱার্দস, সিফা বঙ্গলাদেশতা মণিপুরগী সোর্ট ফিলম- দা হেবিটনা বেষ্ট স্ক্রিপ অমদি বেষ্ট দিরেক্তর মনা লৌবা ঙমখ্রে। সোর্ট ফিলম অসিগী দিরেক্তর হেমচান্দ নিংথৌজমনা হায়- ফিলম অসি মমাংদসু নেসনেল অমদি ইন্তরনেসনেলগী থাক্তা পাঙথোকপা ফিলম ফেষ্টিভেলশিংদসু মনা কয়া ফংলকখিবা লৈরে।

পেন্সন (এল)ঃ থৌনাউজম চাউবা মেমোরিয়েল চেরিতেবল ট্রষ্ট শিংজমৈনা হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবশিং, লুখ্রাবীশিং অমদি অহল ওইরবা মীওইশিংদা থাগী ওইনা পেন্সন য়েন্থোকপগী থৌরম ঙরাংদগী শিংজমৈ চীংঙামখা, ক্ষেত্রি লৈকাই, নম্বুল মপালদা লৈবা ওল মণিপুর দিসএবল এন্দ হেন্দিকেপ পার্সন্স দিভলপমেন্ট এজেন্সিগী শঙলেনদা পাঙথোরকপা অদু ঙসি লোইশিনখ্রে। থৌরম অদুদা ট্রষ্ট অসিগী মেনেজিং ট্রষ্টি থৌনাউজম রোমেন্না পেন্সনগী শেনফমশিং য়েন্থোকখি। হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবা মীওই ১২০, লুখ্রবী ৭৫ অমসুং অহল ওইরবা মীওই ১৯০ দা পেন্সনগী শেনফমশিং য়েন্থোকখি।

প্রোগ্রাম (এল)ঃ মণিপুর ষ্টেট এগ্রিকলচর ওফিসিয়েলস অমসুং লৌমীশিংগী ওইনা পাঙথোকপা নোংমগী ওইবা রিজনেল কনফরেন্স ওন ওর্গানিক ফার্মিংগী থৌরম অমা ঙরাং হোটেল ইম্ফালগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি কেন্দ্র সরকারগী মিনিষ্ট্রি ওফ এগ্রিকলচর এন্দ ফারমর্স ৱেলফ্যার, রিজনেল সেন্তর ফোর ওর্গানিক এন্দ নেচরেল ফার্মিং ইম্ফালনা শিনবনি। থৌরম অসি লৌমীশিংগী ওইনা কেপাসিতি বিল্ডিংগী খুৎথাংদা লৈবাক অসিদা ওর্গানিক ফার্মিং চাওখৎহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি। থৌরম অদুদা টেকিকেল সেসনদা অখঙ অহৈ কয়ানা তোঙান তোঙানবা হিরম কয়াদা ৱা ঙাংখি।

স্কিম ঃ কেন্দ্র সরকারনা ইলেক্ট্রোনিক্সকী পোৎলমশিং শানবা অমসুং থাদোক থাজিন তৌনবগী থবকশিং হেন্না মপাঙ্গল কনখৎনবগীদমক ইলেক্ট্রোনিক কম্পোনেন্ট মেন্যুফেকচরিং স্কিম অয়াবা পীখ্রে।

নিউ দিল্লিদা ঙসি পাঙথোকখিবা মন্ত্রি মন্দলগী মীফম লোইরবা তুংদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা কেন্দ্রগী ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি অশ্বিনি বৈষ্ণোনা হায়- ইলেক্ট্রোনিক কম্পোনেন্ট মেন্যুফেকচরিং স্কিম পায়খৎনবগীদমক লুপা কোতি লিশি ২২ হেন্না খাক্কুনা থমলে। মহাকা হায়- স্কিম অসিনা মীওহ লিশিং ৯১ হেনবদা থবক পীবা ঙম্লগনি।

ঙসিগী মীফম অদুনা কেন্দ্র সরকারগী কর্ম্মচারিশিংগী দিয়ারনেস এল্লাৱেন্স অমসুং অমসুং পেন্সনরশিংগী দিয়ারনেস রিলিফ চহি অসিগী জনুৱারি ১ দগী চাদা ২ হেনগৎনবগী অয়াবসু পীরে। খুদোংচাবা অসি কেন্দ্র সরকারগী কর্ম্মচারি লাখ ৪৮ লিশিং ৬৩ অমসুং পেন্সন্নর লাখ ৬৬ লিশিং ৫৫ দা ফংহনগনি।

লোক সভা ঃ লোক সভানা ঙসি কেরিয়েজ ওফ গুদস বাই সি বিল ২০২৪ পাস তৌখ্রে। বিল অসিনা ইন্দিয়ান কেরিয়েজ ওফ গুদস বাই সি এক্ট ১৯২৫ গী মহুৎ শিল্লগনি। বিল অসিগী মতাংদা খন্ন-নৈনবগী পাউখুমদা কেন্দ্রগী পোর্টস, সিপ্পিং অমসুং ৱাটর ৱেজ মন্ত্রি সরবানন্দ সোনোৱালনা হায়- বিল অসিগী

মরুওইবা পান্দমদি- ঈশিংগী লম্বীদা পোৎ পুথোক পুশিন তৌবগী হিরমশিংদা হেন্না লাইথোকহনবা ঙম্লগনি।

অস্বিনি ঃ কেন্দ্রগী ইলেক্ট্রোনিক্স আই.টি মন্ত্রি অস্বিনি বৈষ্ণোনা হায়রি- সরকারনা ক্রিতিকেল ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমসুং প্রাইভেট দেটাশিংবু সাইবর ক্রাইম এটেক্কগী ঙাকথোকবা তোঙান তোঙানবা থৌরাং কয়া পায়খৎলি। রাজ্য সভাদা হংবা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা মন্ত্রিনা হায়- সাইবর ক্রাইম এটেক অসি য়াম া চাউবা শিংনবা অমা ওইরক্লি। মসিদগী ঙাকথোকবা সরকারনা আইনগী ওইবা খোঙথাং কয়া লৌখৎতুনা মীয়ামদা খঙহন্নবা হোৎনরি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

পালো (এল)ঃ মনিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসন, ইম্ফালনা শিনদুনা অহুমশুবা চিতামোহিনি ষ্টেট ৱিমেন্স পোলো কপ-২০২৫ গী শান্নখিবা মেটচতা ইম্ফাল রাইদিং ক্লব লমফেলনা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবপু পাঞ্জল ২৩-২ দা থোইখ্রে।

কাং (এল)ঃ অনিসুবা ককচিংতাবম কুঞ্জবী শর্ম্মা মেমোরিয়েল লিগ কম নোকআউট কেন্দ্র ৱাইস কাং তুরনামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- ওইনামনা শগোলবন্দবু পাঞ্জল ১৪-৩ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল (এল)ঃ অহানবা ৱিমেন্স ফুটসাল ইন্তর ক্লব চেম্পিয়নসিপগী ঙসি কে.আই.ৱাই.সি আর্তিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচশিংদা এফ.সি ইম্ফালনা য়ুথ ৱেলফ্যার ক্লবপু পাঞ্জল ১২-৩ দা, দ য়ং ৱেলফ্যার ক্লবনা মণিপুর য়ুনাইতেদ এফ.এবু পাঞ্জল ১৬-৫ দা অমসুং ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন্না খুমন এফ.এবু পাঞ্জল ২৫-৩ দা থোইখ্রে।

ক্রিকেট (এল)ঃ  অনিশুবা খোমদ্রাম ওংবী হিজম মেমা দেবী মেমোরিএল টি-টোইন্তি মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ই.এস.য়ু ৱাংখৈনা টি.সি.এম.দি.সি থোংজবু ৱিকেট ৩ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা কে.সি.সি. কোংবনা ৱাই.এ.সি য়াইস্কুলবু ৱিকেট ৫ দা থোইখ্রে।

ক্রিকেট (এল)ঃ  চহি ২৩ মখাগী নুপাগী অনিশুবা এম.এন.সি.এ. হাওম বিরমঙ্গোল সিংহ মেমোরিএল ট্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ৱাই.দব্লিউ.সি লংথবালনা সাইক্লোন থাংমৈবন্দবু রন ৮৪ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচশিংদা আর.সি.এ লিলোংনা মোদেল শিংজমৈ চীংঙামখাবু রন ১৫৫ দা, পি.সি.সি. ময়াইকোইবীনা রুল মৈত্রমবু রন ১৭৭ দা, কে.এ.এস.সি খোমিদোকনা রিস খ্বাই নাগামপাল লমাবম লৈকাইবু ৱিকেট ৫ দা থোইকি।

ক্রিকেট (এল)ঃ  ১২ শুবা টি ত্বেন্তি মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট তুরনামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি লংথবাল পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা কে.সি.সি. কোংবনা ৱাই.এ.সি য়াইস্কুলবু ৱিকেট ৫ দা থোইখ্রে।

রেষ্টলিং ঃ জোরদানগী অমানদা পাঙথোক্লিবা সেনিয়র এসিয়ান চেম্পিয়নসিপতা ভারতকী রেষ্টলরশিংনা লুপাকগী তকমান অমা অমসুং শেঞ্জেংগী তকমান অনি লৌরে। নুপীগী কিলোগ্রাম ৭৬ কাংলুপ্তা রিতিকানা লুপাগী তকমান ফংখি। অদুগা মুস্কান অমদি মানসি লাথরনা শেঞ্জেংগী তকমান অমমম ফংখি।

------